# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-04-2026)**

**সিএমঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী জিরিবাম খোঙচৎ য়েংলগা জিরিবাম জিলাদা অকনবা চেকশিন থোৱাং লৌখৎলে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-মুখ্য মন্ত্রি ঙসি ইম্ফাল-জিরিবাম নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা লাক্লবা মতুং জিলা অসিগী লৈঙাংপোকপী পুলিস আউট পোষ্ট, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অমসুং লমলেন খুলদা চৎকনি। মুখ্য মন্ত্রিনা জিরিবাম জিলাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপশিংগী মীহুৎশিংগসু উন্নগনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা জিলা অদুদা ঙসি অহিং য়ারেক্লবা মতুং হয়েং চন্দ্রপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং অমদি ইন্টর ষ্টেট ত্রক টার্মিনস শানবা যাত্রা হুনগনি। শ্রী খেমচান্দনা হয়েং অসামগী সিলচরদা লৈবা রোংপুর ময়াই লৈকাইদা লৈবা রাধা মাধপ মন্দিরদা মীখলগী মীতিন পাঙথোক্কনি। মসিগী তুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হৈলাকান্দি জিলাগী থৌগল মরুপ লাইশ্রম খুল জারিবোনদা মীখলগী মীতিন পাঙথোক্কনি। মুখ্য মন্ত্রি ইম্ফালদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হল্লক্কনি।

মরক অসিদা, মুখ্য মন্ত্রিগী জিরিবাম খোঙচৎকী য়েংলগা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী মফম কয়াদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-ঙরাংদগী হৌনা হায়ৱে অসিদা পুলিস পেত্রোল্লিং চৎতুনা ঙাক শেনবগী থবক কনখৎলে। লম্বী অসিদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা হৌজিকসু মফম কয়াদা পুলিস পেকেড হাংদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

**নোং(এল)ঃ** মনিপুরগী মফম কয়াদা ঙসি নোং চুরবা য়াই হায়না ইন্দিয়া

মেতিওরোলোজিকেল সেন্টর ইম্ফালনা হায়রি।

সেন্টর অসিগী পাউ মতুং ইন্না মনিপুরগী জিলা ১০ রোমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি নোং চুগনি।

জিলাশিং অদুদি-তমেংলোং, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, ককচিং, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলনি। হায়রিবা জিলাশিং অসিগী মফম খরদদি অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

মরক অসিদা, নোনে জিলাদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩২.৭ ওইখি। অদুমওইনমক, ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা নোং তাবা হৌরে। হৌজিক মফম অদুদা নোং মংবনা মরম ওইদুনা মতম অমদা হেক্তা নোং হৈথরকপা য়াই হায়না ঐখোয়গী পাউমীনা হায়রি। নোং খরা চুবা অসিনা শাবগী চাং খরা হন্থরে। ইম্ফালদসু ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা নোং মংবগা লোয়ননা মফম খরদা নোং খিকখি।

**পুলিসঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা অককবা পাউগী মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথদুনা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি হিংশাগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মনিপুর পুলিসকী কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াংগৌবুংদগী লালহৌবা মীওই মরি ফাখি। ফারবশিং অদুগী মনুংদা পি.এল.এগী মীওই অমা, এন.আর.এফ.এনগী মীওই অমা, কে.সি.পি (এম.এফ.এল) গী মীওই অনি য়াওরি।

অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২৭৬ ইম্ফালোমদা পুশিল্লকখ্রে।

**পার্লিয়ামেন্টঃ** সংসদনা জন বিশ্বাস (এমেন্দমন্টে ওফ প্রোভিজন্স) বিল-২০২৬

পাস তৌদুনা লৈবাক অসিদা আইন করমা চৎনহনগদগে হায়বগী মতাংদা অচৌবা অওনবা পুরক্লে। অনৌবা আইন অসিনা নিতি নিয়ম লায়থোকহনবা অমসুং কান্নদবা দন্দিশিং লৌথোক্তুনা করৱারৱালা তৌরিবশিং অমসুং নাগরিকশিংগী পুন্সি মহিং লায়থোকহল্লে।

হকশেলগী লমদা মরুওইবা আইন কয়ামরুম নৌনা শেমদোক্লে। মসিগী মনুংদা দ্রগস, ফুদ সেফতি, ফারমাসি, হোস্পিতাল অমসুং হেলথ কিয়ার প্রোফেস্নেলগী য়াওরি। অওনবা অসিনা পাব্লিক হেলথকী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক শেন্দুনা থন্নবগা লোয়ননা চৎন কাঙলোনশিং হেন্না লায়থোকহন্নবা পা দমদনি।

**ইলেক্সনঃ** বিধান সভা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসাম, পুদুচেরি, কেরলা, তামিল নাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলদা ভোট খোম্নবগী থবক তপা তপা কনখৎলক্লি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা এন.দি.এ. মীরেপকীদমক পুদুচেরিদা ঙরাং রোড সো পাঙথোকখি। মীখলগী কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি কেরলাদা চৎকনি। ঙসি রাজ্য অদুদা চৎপা মহাক্কী অনিরকশুবা খোঙচৎনি।

কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা-রাহুল গান্ধিনা ঙসি য়ু.দি.এফকী কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা আলাপ পুজা, কটপ পানা অমসুং কুন্না তুনাটতা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি। সি.পি.এমগী জেনরেল সেক্রেটরি-এম.এ. বেবিসু এল.দি.এফকীদমক কোতায়ম জিলাদা ঙসি ভোট খোমগনি। হয়েংনা তিরুবন্তপুরমদা ভোট খোমগনি।

মরক অসিদা, চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেস কুমার, ইলেক্সন কম্মিস্নার-ডা: সুখবির সিংহ সনধু অমসুং ডা: বিভেক জোসিনা নোংচুপ বেঙ্গোলগী চীফ সেক্রেটরি, কোলকাতাগী পুসিল কম্মিস্নার, পুলিসকী

এদিসনেল দাইরেক্তর জেনরেলশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংদা লাক্লিবা রাজ্য বিধান সভা মীখল নিতি নিয়ম চুমা, মীচং মীখায় নায়দনা, শান্তি লৈনা ভোট থাদহন্নবা পাউতাক পীখ্রে। মখোয়না হায়-ভোট থাদবা লাকপা মীয়াম অকি-তুজং্বা পোকহল্লোইদবনি অমদি মীখল অসি শান্তি লৈনা পাঙথোকবা হোৎনগদবনি।

মীখল মনুংদা বুথ কেপচর তৌবনচিংবা থবক থৌরমশিং অমত্তা তৌহল্লোইদবনি হায়না পাউতাক পীখি।

অমরোমদা, ইলেক্সন কম্মিসনননা নোংচুপ বেঙ্গোলগী খন্দাগোস দিবলপমেন্ট ব্লোক্কী জোইন্ট বি.দি.ও. খুদক্তগী সসপেন্দ তৌনবা হুকুম থোকখ্রে। মহাকা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ভোট খোল্লস্বগীদমক সসপেন্দ তৌনবা হুকুম অদু থোকখিবনি। নোংচুপ বেঙ্গোলগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী প্রস্তাব মতুং ইন্না কম্মিসনননা বি.দি.ওগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা হায়জরকখিবনি। মসিগী চপ চাবা রিপোর্ট ঙসি অয়ুক পুং ১১ ফাওবদা পীরকবা হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** সোসিএল ৱাকরস কংগ্রেস-খোঙমনননা শিন্দুনা এস.ডব্লিয়ু.সি. গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৮ শুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা-এম.এন.সি. মোংখাম লম্বীনা বি.এস.য়ু. কৈরাওবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এস.ডব্লিয়ু.সি. (এ) খোঙমনননা এস.ডব্লিয়ু.সি. (বি) খোঙমনবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

**খেল্লোঃ** খেল্লো ইন্দিয়া ত্রাইবেল গেমস ঙরাং ছাতিসগরদা লোয়শিনখ্রে। লোয়শিনবগী থৌরম মুখ্য মন্ত্রি-বিষ্ণু দিও সাই, উপ মুখ্য মন্ত্রি-অরুন সাউ, শক াইরবা বোক্সর-মেরি কোম অমসুং ফুটবোল শান্নরোই-বাইচুং ভুতিয়া শরুক

য়াখি।

ঙরাং লোয়শিনবগী নুমিৎতা নুপাগী ফুটবোলদা নোংচুপ বেঙ্গোলনা ছাতিসগরবু মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান লৌখি। মেদল টেল্লিদা করনাতকনা সনাগী ২৩, লুপাগী ৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ৭ ফংদুনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইরে। উরিষ্যানা সনাগী ২১, লুপাগী ১৫ অমসুং শেঞ্জেংগী ২১ অদুগা ঝরখন্দনা সনাগী ১৬, লুপাগী ৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ১১ ফংদুনা অহুমশুবা তাখি। গেমস অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩০ গী এঠলেট লিশিং ৩,৮০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী জিরিবাম খোঙচৎ, আই.দি.পিশিংনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিঙৈ সেন্সস পাঙথোক্লকবদি অকনবা খোঙজং চংশিনগনি হায়বা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফম পাউচেদা-চীফ মিনিস্তর ঙসি অয়ুক জিরিবামগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি। অসামদা চংশিল্লিবা বি.জে.পিগী ভোটসু খোমলুগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা হেদলাইনগা লোয়ননা পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ অমসুং সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরী লৈননা সি.এমগী জিরিবাম খোঙচৎ শরুক য়াদনবা, হান্না ঙমখৈ, নাখৈ শেংহন্নবা ৱাফমশিং থমরক্লি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মিজোরামদা লুপা ক্রোর ময়ামগী দ্রগশিং ফাগৎখ্রে, পুলিস পার্সোনেল য়াওনা মনিপুরগী মী ৬ সু দ্রগকা কোন্ননা ফাগৎখি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস

মনিপুরি এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-চীফ মিনিস্তর ৱাই. খেমচান্দ অমদি হান্নগী সি.এম. এন. বিরেন উন্নদুনা ৱা তান্নখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা পুন্না পুনশিনদুনা সেন্সসকী মতম য়েথোকপীনবা তকশিনখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাহন তৌরি। পাউ অসিমক পোকফম অমসুং হুইয়েন লানপাউদনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ম্যান্মারগী মিলিটরি জনতাগী চীফ মিন আংগনা প্রসিদেন্ট ওইরকপদা অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা চৈথেং ফংল্লক্কদ্রা মীপায়নরে হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপ্র লৈঙাকা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ সব-দিভিজনগী মেিটনেস ত্রাইব্যুনেল লিংখৎলমদ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা এদভেঞ্চর টুরিজমগী খুদোংচবা কয়া মরাং কায়না লৈরবসু লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমনা শকখঙবা অমসুং রেকোগনাইজ তৌবা ওপরেটর অমত্তা লৈরমদ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাশিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এম.এস.এফকী ঐখোয় ময়াই কাবা দ্রগ থাদোক্লসি কেম্পেইন ঙসি কিলোমিটর ১৩৯ শাংবা লম্বীদা মীওই ৬০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা গাড়ি মচাগী খোঙচৎ চৎকদৌরি হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।